## লিঙ্গুইষ্টিক্কী এন্ট্রান্স টেষ্ট

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম এ লিঙ্গুইষ্টিক ফার্ষ্ট সেমিষ্টর ২০১৯-২০ দা মিং চন্নবগীদমক এন্ট্রান্স টেষ্ট চৎলিবা থা অসিগী ২০ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা হ্যুমেনিটি ব্লোক্তা পাঙথোক্লগনি। কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ১৫ দগী ওফিস মতমদা এদমিকার্দ লৌরবা য়াগনি হায়না লিঙ্গুইষ্টিক দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রো. এন প্রমোদিনি থোকপা নোটিশ অমনা খঙহল্লি।

## থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা মোংশাঙ্গে লৌকোনশিং অমদি লংথবাল লৌকোনশিংদা লৌ পানবা য়ানবা ঈশিং থাজিন্নবগীদমক সি আর পি এফ কেম্প মখা অমদি লংথবাল অনীগী লোন্নবদা লৈবা লৌখোং লৌমী কম্মিটিনা তৌদুনা তেংথোকখ্রে।
অপূনবা লৌমী লূপ মোংশাঙ্গেগী জেনরেল সেক্রেটরী দিনেশ্বর মঙাংচানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লৌমীশিংনা হোৎনরিবা অসিদা মোংশাঙ্গে জি পিগী প্রধান নন্দেশ্বরি অমদি নাওরিয়া পাখংলাকপা জিল্লা পরিষদকী মেম্বর আর কে তরুনিনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫-৫ পাংবিরম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা ৱাটর পম্প অমদি হারনচিংবা পীরকখিগনি হায়নসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্যসু ওইরিবা আর কে তরুনিনা ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

## মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
নেস্নেল মেদিকোস ওর্গনাইজেসন অমদি সেবা ভরতি মণিপুর খূৎশম্নরগা নোর্থ ইম্ফাল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন পুখাও ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ঙসি অয়ুক পুখাও নহারুপ মখা লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে।
বির টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ শ্রদ্ধাঞ্জলি স্বাস্তিয়া সেবা যত্রা হৌদোকপগা ইরোইননা পাঙথোকখিবা মেদিকেল কেম্প অদুদা পূন্না মীওই ২৭০ লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথক লেন্না য়েন্থোকখি। মখল কয়াগী টেষ্টনচিংবসু তৌখি হায়রি।

## বেসিক ফার্ষ্ট এইদ এন্দ সি পি আর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ঙসি মোংশাঙ্গেদা লৈবা ১০৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ কমপ্লেক্সতা বেসিক ফার্ষ্ট এইদ এন্দ সি পি আর পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারসু শরুক য়াখি। অদুগা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী চিয়ারমেন ডা. কোইজম অরুনকান্তা, ভাইস চিয়ারমেন কেঐচ জল্লু সিংহ, সেক্রেটরী ওইনাম রতন সিংহ, মাষ্টর ট্রেনর ডা. বঙ্কিমচন্দ্র থোকচোম অমদি ফার্ষ্ট এইদ ট্রেনর রাজকুমার গোপালসু য়াওখি হায়রি।

## হার ফংহনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
তোপ চিংথা ফার্মরস ক্লবনা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারগা খূৎশম্নদুনা লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার ফংহনবা হৌখ্রে। মসিগীদমক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টপু ১০৪ তোপ চীংথা লৌমীশিংনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না ক্লবকী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

## থাংখোলুন শিন্দোকপা য়ারোই

মোরে, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
মোরে ব্লোক্কী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা চেঙগী এজেন্টশিংগী মীফম ঙসি পাঙথোক্তুনা এরিয়া অসিগী নোমিনি থাংখোলুন হাওকিপ শিন্দোকপা য়ারোই হায়না ৱারেপ্লখ্রে হায়রি।

## নুমিৎ খরনি নোং চুরকপদগী ইম্ফাল মোরে লম্বী চখোক চৎশিন্দা মিপাইবা পোক্লরে

মোরে, জুলাই ১৩ঃ (*মোরে পাউমীদগী*)
হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ষ্টেট অসিগী চীংগী মফম খরদা ময়াই ওইরপ্পা চুরকখিবা নোংনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা এসিয়ান হায়ৱে নম্বর ২ সু ওইরিবা ইম্ফাল মোরে লম্বীদা চখোক চৎশিন তৌবদা মীয়াম্না মীপাইবা পোক্লরে।
লম্বী অসি প্রাইভেট কম্পনি অনীনা পাকথোক চাউথোকপা অমদি চীং ককপগী থবক শুবদা লৈখোম থোকপদগী লম্বী অসিদা চৎলিবা গারী অমসুং মীয়াম্না অকিবা পোক্লরকখিবনি। হৌখিবা চহীদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাংজিংদগী হৌরগা চান্দেলগী মনুং চনবা কোংখাং ফাওবগী লম্বীগী শরুক জে কে এন্দ সন্স অমদি জি আর ইনফ্রা প্রোজেক্ট লিমিটেদনা থবক শুরকখিবনি। মরু ওইনা লম্বী অসিগী য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইরিবা মফম অসি সাইভোম ভিল্লেজ অমদি সিনাম ভিল্লেজগী মরক্তনি।
থবক শুরিবা কম্পনি অনী অসিনা মীয়ামগী অৱাবা খঙদনা মখোয়গী থবক্কা লুনা খন্দুনা নোং মরক্তা ভুলদোজর কয়া থৌজিন্দুনা লৈবাক কোখোরকপনা মরম ওইরগা মদুদগী চেন্থরকপা লৈখোম লৈনাংনা গারী চখোক চৎশিন অমদি পেসেঞ্জরশিংদা মিপাইবা পোক্লরকখিবনি। করিগুম্বা খুদোংথিবা থোরকপদা কনানা য়েংশিনবিগদগে হায়বসি লম্বী অসিদা সার্ভিস তৌরিবা পেসেঞ্জর গারী অমসুং মীয়ামগী অচৌবা ৱাহং ওইরি।
লম্বী শেম্বগী থবক অমদি হৌজিক ওইরিবা ফিভম চত্নুনা য়েংশিল্লুবদা গারী থৌরিবা অমদি পেসেঞ্জর কয়ানা নুংঙাইতবা পেন্দবা অমদি অৱাবা কয়া ফোঙদোরকখি। ঙসি ফাওবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা হৌজিক নোংজু মতম অসিদা লম্বী অসিগী ওইরিবা ফিভম অমদি মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অসি খঙশিন উশিন্নদনা লৈথোক-পগুম তৌরে। অথু অকায়গী ওইনা অনা অয়েক থোরকপা মতমদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাদবা থেংনরে হায়খি।
অমরোমদা সাইভোম ভিল্লেজগী লম্বী মতাইদা মনা মশীং য়োল্লিবা নুপীশিংনা ফোঙদোরকখিবদি ভিল্লেজ অসি ফাওরিবা লম্বী অসিদগী চেন্থরকপা লৈখোম লৈনাংনা এক্সিদেন্ট থোকপা য়াওখ্রে। ইমুংদা ফাওবা চেনশিল্লকপা য়াওরে। নুংশা শারগনা উফুলগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। অঙাংশিংসু নারগদ্রা হায়বগী অকিবা পোক্লরে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা কা হেন্না খুদোংথিবা থোক্ত্রিঙৈদা লম্বী অসি নুঙ থাজিনবিবা চুমগনি হায়খি।
ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেগী গাইদ লাইনগী মতুং ইন্নদি নোংজু থাগী মতমদা লম্বী শেম্বগী থবক শুবা য়াদে হায়বা য়াওরি হায়নসু ফোঙদোক্লরক্লি।

## মীয়াম মরক্তা বোম থমজিনবা তোকপিরো ঃ টি সি এম দি সি

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
মীয়াম মরক্তা বোম হঞ্জিন হঞ্জিন থমজিনবগী থবকসি তোকপিরো হায়না থোংজু চিঙ্গোংলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লব (টি সি এম দি সি)না মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।
ক্লব অসিগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি অয়ুক অঙনবদা খা নাওরেম লৈকাই কাঞ্চিপুরদা লৈবা ইম্ফাল পব্লিক স্কুল (আই পি এস)কী গেটতা বোম থমজিল্লমদুনা অকোয়বদা লৈবা মীয়াম অমদি স্কুল মহৈরোয়শিংদা অকি তুজুংবা পোকহনখি। মমাঙ থাগী ২৮ দসু য়ুম অমদা মান্নবা মখলগী বোম থমজিল্লম্বগী থৌদোক লৈখ্রে। অসুম্না হঞ্জিন হঞ্জিন বোম থমজিনবগী থৌদোক থোকহন্দুনা মরাল লৈজদবা মীচম অমদি মহৈরোয়শিংদা অকিবা পোকহনবি-রিবসি করিগীনো হায়বদু মরী লৈনবশিংনা অথুবদা শেংদোকপিয়ু অমদি মতুংদা অমুক হন্না তৌবিদনবসু আপিল তৌরি। লনাইগী ওইবা ৱাফমদা য়ানদবা লৈরগসু ৱারী শান্নরগা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## তরাও লাইমনাইদা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর হাংদোকখ্রে

চান্দেল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
অয়ুসমান ভারতকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি চান্দেলনা শীন্দুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংচনবা তরাও লাইমনাই (বুকথরোল)দা হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর হাংদোকখ্রে।
থৌরম অদুদা এ দি সি চান্দেলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর টি এস কনলুননা অথোইবা মীথুংলেন, চীফ মেদিকেল ওফিসার অমদি মিসন দিরেক্টর চান্দেল ডা. সেরথানিনা থৌরম মপু, এ দি সি চান্দেলগী নোমিনি কে লৈঙম, ষ্টেট নোদেল ওফিসার অয়ুস ডা. কে বেন্দিক অমসুং টাটা ট্রষ্টকী ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসার এম ইমোনা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।
এ দি সি এগজিক্যুটিভ মেম্বর টি এস কনলুন্না হেলথ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর অদু হাংদোক্লদুনা হায়, তরাও লাইমনাইদা সেন্টর অমা হাংদোকপা অসি লমদম অদুগী মীয়াম খক্তা নত্তনা খুল্লোন্নরিবা খুলশিংনা কান্নবা কয়া ফংলগনি। মীপুম খূদিংমক নাদ য়েক্তবা, মশা মউ ফনা থম্নবা পান্দমদা লৈঙাক্পা স্কিম কয়া পায়খৎলি। মীয়াম্নসু হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা মপূং ফানা লৌদুনা হকচাং ফনা লৈবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি।

## আই এন পি টিনা সি এ বিল মাঙহন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে

আগরটলা, জুলাই ১৩ (এজেন্সি )ঃ
ইন্দিজেনস নেস্নেলিষ্ট পার্টি ওফ ত্বাইপ্রা (আই এন পি টি)না হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা গভর্ণর কপতান সিংহ সোলাংকিগা উনদুনা সিটিজন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল মাঙহনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ১৬ য়াওবা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।
আই এন পি টিগী জেনরেল সেক্রেটরী জগদেস দেব বর্ম্মন্না ঙরাং পাউমীশিংদা হায়, পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট বিজয়কুমার রংখৱান্না লুচিংবা টিম অমনা গভর্ণর সোলাংকিগা উনদুনা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি। মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মরুওইবা খরদি সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপা য়ারোই হায়বসিনি। করিগুম্বা বিল অসিনা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা পাস তৌরবদি ট্রিপুরাদা লৈরিবা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং সিটিজন্সিপ ওইখ্রগনি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমী-শিংদা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্নরগনি।
মেমোরেন্দম অদুদা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটকী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ১০ দা সেন্টরদগী দাইরেক্ট ফন্দিং তৌদুনা য়েলহৌমীশিংগী পোলিটিকেল অমসুং ফাইনান্সিয়েল রাইট য়াওনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক খুমাঙ চাউশিনহন্নবা দিমান্দসু তৌরি। আই এল পি সিষ্টেম চৎনহন্নবা, কোকবোরোক লোনবু ৮ শুবা সেদ্যুলদা চলহনবা অসিনচিংবসু দিমান্দ তৌরি।

## এৱার্দকীদমক লৈবাক নীংবদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারী মচাশিং কৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরনা চহী খূদিংগী পীবা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ ৩ হায়বদি ডা. সরোজ নলিনি অরাম্বম পরট লিটরেরি এৱার্দ, পচা মীতৈ লিটরেরি এৱার্দ ২০১৯ অমদি আর কথিং তাংখুল লিটরেরি এৱার্দ ২০১৯ গীদমক মণিপুরগী অইবা অইবীশিং অমদি মপান মণিপুরী অইবী অইবশিংদগী লৈবাক নীংবদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীমচাশিং কৌরি।
ফোরমগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এৱার্দ অসিগীদমক অইবী অইবশিংনা পীরক্কদবা ৱারীমচাশিং অদু করিগুম্বা মখল অমত্তদা ফোঙখিদ্রিবা ইনৌ নৌবা লৈবাক নীংবদা য়ুম্ফম ওইবা ওইগদবনি। অইবা অদুগী মপূং ফাবা বাইওদাটাগা লোয়ননা পাসপোর্ট ফোটো ২ কম্প্যুটরদা নমথোক্লবা ৱারী মচাগী কোপি ৩-৩ য়াওরক্কদবনি। থেংলবদা চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা কৈশামথোং হোদাম লৈরক মচিন টিদ্দিম রোদতা লৈবা ফোরমগী ওফিস নৎত্রগা ইপাক ওফসেট প্রেসতা থাজিল্লকপা য়াগনি। অকূপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৯৮৬২১০০৬৫৮ তগী খঙবসু য়াগনি।
চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এৱার্দ অসি লাক্লিবা আগষ্ট ২০ দা ফোরম্মা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা লান্থোক্কনি। এৱার্দ অসিদা শেল, সাইটেসন, শাল অমদি মেমেন্টো য়াওরি হায়রি।

## ফিদমনিঙাই ওইবা চিলদ্রেন হোম ওইনবা শেমগৎলগনি ঃ য়াইবিলেন

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম অসি গভর্ণমেন্টকী তেঙবাং ফংদ্রবসু মীয়ামগী তেঙবাংনা ফিদম্নিঙাই ওইবা চিলদ্রেন হোম ওইনবা শেমগৎলগনি হায়রি।
য়াইবি লেন্নফম (য়াইবিলেন)গী থৌবুরেল য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অহানবগী ওইনা একর ২.৫০ চাউবা য়াইবিলেনগী ইংখোল অকোয়বা অসি য়োৎকী উয়ুং য়ুংদুনা নীংথিনা শম্বল খাবা, হৈপাল লৈপাল থাদুনা নীংথিজহনবা, ঈশিং নীংথিনা ফংনবা ৱাটর রিজার্ভর শাবা, সেনিটেসনগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবা, শান্নবুং লাইব্রেরীনচিংবা মওং তানা শেমগৎপা, অঙাংশিংগী থকশি খাশি, লমচৎ শাজৎ ফগৎহনবা লোয়ননা মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনবা অসিনচিংবনি।
হায়রিবা থবকশিং অসিদা চঙগদবা শেনফম ফংনবগীদমক য়াইবিলেনগী মেম্বরশিং, লাইওন্স ক্লব, রোটরি ক্লব, সাই সেবা সম্মিটিশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লনাই মীওইশিংদা তেঙবাংবিনবা হায়জরি। লোয়ননা লূপকী নৎত্রগা লনাই ওইনা য়ামদ্রবদা লুপা লিশিং ১০ পীরগা পেত্রোন ওইবিয়ু। হোমসি হিংনবগীদমক থা থাগী চাং নাইনা শেনখায় পীরিবা মীওইশিংগী মশীং হেনগৎহনবা হায়নসু লেপ্পরে হায়রি।

## ককচিং খুনৌ কলেজদা কাদাগী একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা ককচিং খুনৌ কলেজদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা হিরমদা ঙসি একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে।
কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কেম্পেইন অদুদা ককচিং খুনৌ কলেজগী ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ চনম্বম ধিরেন, মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ নোংথোম্বম সরত, ইংলিস দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রো ময়াংলম্বম অজয়কুমার, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমসুং কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম নেনানা পূন্না থৌরম মপু ওইখি।
রিছোর্স পার্সন ওইনা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল গিতচন্দ্র মঙাংনা হায়, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নববু অরেম্বা ওইনা লৌনরকপনা ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরকপগী মরম ওইহল্লি। মহৈরোয়শিংনা তলব উম্লগা লেমজবা বাইক মনিংদা তোংলগা চুরুট উম্লগা চৎপা অসিনচিংবা কয়া লিচৎ অমগুম্না পাক শন্না শন্দোরক্লি। অসিদসু নত্তনা য়ুনচিংবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদ্রবদি নুপা মান্দনা লৌনরকপনসু মহৈরোয় কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুরকপগী মরমসু ওইহল্লি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা মশা মশাখক্তা মাঙহঞ্জবা নত্তনা খুন্নাই অসিবু লৈখা তানা মাঙনবগী মরম ওইহল্লি। অদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল অমত্তা চাংয়েং তৌগে হায়বগী ৱাখল খল্লোইদবনি। চাংয়েং তৌবদগী লাইচুরকপা হায়বদু ওইরকই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

## ইন্টিগ্রিটি প্রোটেক্সন দে থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু অকোম-লূপ কংলৈপাক্পা শীন্দুনা ইন্টিগ্রিটি প্রোটেক্সন দে থৌরম চৎলিবা থা অসিগী ২৭ থাংজ নুমিত্তা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু অমসুং মায় পাক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।
অকোম লূপকী সেক্রেটরী জেনরেল তেলহৈবা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ২০০১ জুন ১৪ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম)না বেঙ্কোক্তা সহি তৌনখিবা সিজ ফয়ার এগ্রিমেন্টদা ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা নাগালেন্দগী ৱাংমা লান্না কোনশিনখি। মদুনা মণিপুরগী অপূনবা মীয়ামগী পাঙ্গলবু শীংনবনি হায়না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা মীওই কয়া অশোক অপন য়াওখিবদা নত্তনা মীওই ১৮ থৱায়না পোন্থা পীখি। মীয়ামগী অপূনবা খোল্লাওনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চহী অদুগী জুলাই ২৭ ইরাই নুমিত্তা ৱিদাউট তেরিটোরিয়েল লিমিট হায়বসি এগ্রিমেন্ট অদুদগী লৌথোকখিবনি।
চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গলবু এক্সটর্নেল ফোর্সশিংনা শীংনরকপা মতমদা মীয়ামগী থৌনা লিংজেল উখোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্লবা ঐখোয়গী অপূনবগী পাঙ্গল অমসুং থৌনা লিংজেলনা শিজ ফয়ার এগ্রিমেন্ট অদুদগী ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়বা ৱাহৈ ৩ লৌথোকখিবা জুলাই ২৭ পু অকোম লূপ্না ইন্টিগ্রিটি প্রোটেক্সন দে হায়না চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকখি। হন্দকসু থৌরম অসি পাক শন্না পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

## ভারত বিকাস পরিষদকী ৫৬ শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
ভারত বিকাস পরিষদকী ৫৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মোইরাংখোম এম এস আর টি সি কমপ্লেক্সতা লৈবা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ জর্নেলিজমগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।
থৌরম অদুদা ভারত বিকাস পরিষদকী নেস্নেল ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস রাজেন্দ্র সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ডা. ঐচ প্রিয়োশখি দেবীনা থৌরম মপু অদুগা নেস্নেল সেক্রেটরী নোর্থ ইষ্ট রিজন বি বি শর্ম্মা, সমপার্ক আর কে দিলিপ সিংহ অমসুং সেক্রেটরী ঐচ বালকৃষ্ণ সিংহনা ইকায়খুম্নবা মীথুং ওইখি।
নেস্নেল ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. সিনাম রাজেন্দ্র সিংহনা হায়, হৌখিবা মতমগী লুচিংবশিংনা তৌরম্বা থবকশিং নীংশিংবা, মখোয়না তৌরম্বশিং অদুবু শকখঙবা অমসুং কখোকপা কয়া অদুনা লৈবাক অসি চাউখৎ লম্বীদা চঙশিনবা ঙম্নকখিবনি। সোসিও কলচরেলগী লমদা মায় পাক্লা হেন্না চঙশিনবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয় অমগা অমগা মতেং পাংনবা অমসুং লোয়নমিন্নবা তঙাইফদে।
ভারত বিকাস পরিষদ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ব্রাঞ্চকী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা তৌখিবা থবকশিং নীংথিনা খঙহনখি।
সোসিও-কলচরেল ওর্গনাই-জেসন অসি ডা. সুরজ প্রকাসনা ১৯৬৩ দা ন্যু দিল্লিদা লিংখৎখিবনি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ফিজিকেল্লি, ইকোনোমিকেল্লি অমসুং মোরেল্লি অকনবা ইন্দিয়া শেমগৎপা হায়বসিনি।

## ই ৱাই এল এলগী সিলভর জুবিলি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হিয়াংলম অমসুং ৱাবগাই কেন্দ্রগী এরিয়াদা পোকখিবা, চাউখিবা অদুগা হৌজিক্লা তোঙান তোঙানবা শিনফম পায়দুনা ইম্ফালগী মফম কয়াদা লৈখিবা মীওইশিংনা পূনশিল্লগা শেম্বা ঐখোয়গী য়াইফ লমজিং লূপ (ই ৱাই এল এল) চীঙামথক ইম্ফালগী চহী ২৫ শুরকপা সিলভর জুবিলি থৌরম ঙসি ৱাবগাই হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।
লূপ অসিনা ১৯৯৫ দগী হৌনা লেপ্তুনা পীবা হিয়াংলম ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা হায়স্কুল অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী বোসেম অমসুং কোহসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মার্ক য়াম্না ফংদুনা মায় পাকপা মহৈরোয়শিংসু মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।
ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি তাকয়েল ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর ডা. এল তোম্বীনা অথোইবা মীথুংলেন, ককচিং জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য পিঐচ জিতেন, মেম্বরশিং সিঐচ ইন্দ্রজিৎ, এম জয়েন্তকুমার, ই রঞ্জনা, য়াংবী গার্লস হায়স্কুল ৱাবগাইগী হেদ মাষ্টর ওইরম্বা এম মনিহার, ৱাবগাই হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইরম্বা এম নবকিশ্বর (সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি), হৌজিক্কী হেদ মাষ্টর এ অচৌবনা পূন্না ইকায় খুম্নবা মীথুং অদুগা ই ৱাই এল এলগী প্রসিদেন্ট ডা. এলাংবম ইবোয়াইমা সিংহনা থৌরম মপু ওইখি।
অহল লমন কয়াদসু খুদোলপোৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি অদুগা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা হিয়াংলম ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুং চনবা সেকমাইজিনগী নোংপোক থংবা শরুক দল্লি হায়স্কুলদগী হৌরগা হিয়াংলম, ৱাবগাই, কৈরক, লমজাও, লাংমৈদোং, থৌনাওজম, য়াংদোং, এলাংখাংপোকপি, ৱাইখোং, তোকপা চীংচিন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীথোই মীহেনবা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা কৎপা এৱার্দশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। অদুগা ই ৱাই এলএল মেরিটোরিয়স এৱার্দনা য়ুরেকা একাদেমি থৌনাওজমগী মহৈরোয় লৈমপোক-পম নরসিংদা পীখি হায়রি।

## ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা হৈরোক্তা সাইকল রেল্লি চৎখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
নিংঙোল ক্লব হৈরোক অমদি কাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি থৌবালগা খূৎশম্নদুনা ঙসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা সাইকলরেল্লি হৈরোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎখ্রে।
ঐখোয় ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা তোক্লসি, অফবা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎলসি হায়বা পান্দমদা চৎখিবা সাইকল রেল্লি অদু হৈরোক পার্ট টু বজারদগী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তম অমসুং কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা) গী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা লমথাখি।
হৈরোক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলবা তুংদা অমুক হল্লক্তুনা হৈরোক কৈথেলদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচা, নিংঙোল ক্লব হৈরোক্কী সেক্রেটরী খুন্দোংবম সোফিয়া, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, সি এম ও থৌবাল ডা. এন জয়েন্তকুমার, হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী ও সি গ্যানচান্দ অমসুং নেস্নেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রামগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা. এ রানিতা দেবীনা অথোইবা মীথুং অমদি রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।
সাইকল রেল্লি অদুদা ঐখোয় ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্লসি, মণিপুর লিক্কর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ মপাঙ্গল কনবা এক্ট ওইহল্লু, হকচাং ফবনা লন্নি, দ্রগ পোলিসি অথুবদা পুথোকপিয়ু, লমদমসিগী নহাশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ইপাক্তগী কলহৌরসি, চীফ মিনিষ্টরগী ৱার ওন দ্রগ মমিংতগী ওইহনগনু অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা য়োনবা মতিক চানা চৈরাক পীয়ু হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়াসু শীজিন্নখি হায়রি।

## এ এম ৱাই এস দব্লিউ এ কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (এস এন এস )ঃ
ওল মণিপুর য়ুথস এন্দ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (এ এম ৱাই এস দব্লিউ এ)গী অপূনবা কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।
কম্মিটি অসিগী ওফিস্তা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এদভাইজরশিং সিঐচ কুবের সিংহ, ৱাই হেমন্ত সিংহ অমদি ঐচ প্রেমকৃষ্ণ সিংহনা অথোইবা মীথুংশিং ওইখি। মীফম অদুনা খুন্দ্রাকপম রামেশ্বরবু কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অসিগী কনভেনর অদুগা এল থৌঙম্ববু কো কনভেনর ওইনা খনখ্রে। অতৈ ফমশিং থা অসিগী ২৭ তা হাপকনি হায়রি।
মীফম অদুনা মখা তানা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন অমদি ওল মণিপুর য়ুথ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না তৌগদবা থবক থৌরমশিং খন্নখি। খন্নখিবশিং অদুদা হৌজিক হৌজিক মহৈরোয়-শিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংনা নোংমা নোংমগী শিথরকপগী মরম, প্রাইভেট স্কুলশিংনা ফি কা হেন্না লৌবা অমদি চান্নবা সবজেক্টকী ওঝা থম্বীদবা, প্রাইভেট স্কুলশিংদা আই টিগী ফি কা হেন্না লৌরগা মহৈরোয়শিংদা প্রাক্টিকেল ক্লাস ফংহন্দবা, প্রাইভেট স্কুলশিংনা মকোক থোংবা মহৈরোয়শিংবু লল্লোনপোৎ ওন্থোকপা অমদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগীদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মাঙহনখিবা অসিনচিংবনি হায়রি।

## ঙসিগী ৱাষি ফল (১৪-০৭-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খৎনবা, ৱা থোকপা, নিংঙমদবা মতম্লি। হোৎনবা য়াবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্লি। নক্ষত্র ১,২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** শাক্তি, যামিন ওইরুদবা ফগনি। শেল ফংবা চৎপা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** শাওদবা ফগনি, খৎননিংগনি। তোখাই তাগনগনি। শেল চৎপা মতম্লি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** অশোক অপন থেংনবা, হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎলগনি। অফবা মীগা তিন্নবা তাবনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। শেল চৎলগনি। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** ৱা থোকপা, খৎনবা, অরানবা তাবা, মীচঙ শোন্থবা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** শাওনবা, খৎনবা, কোক শাবা, শেল চৎপা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনদি নুংশিবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্লি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭ ফগনি, ১৮ হেন্না ফগনি।

**ধনুঃ** অশোক অপন থেংনবা, মত খেন্নবা মতম্লি। শেল চৎপা মতম্লি। শাওদবা ফগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** শাওদবা ফগনি, শোক্কনবা খৎনবা মতম্লি। লম চৎপা মী তিন্নবা হৈ শিংগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ ফত্তে।

**কুম্ভঃ** চরক চহিং নাইবা, অপনবা য়েখায়বা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফত্তে, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্লি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।







